# বারীমচা

## ঐখোয় রত্নাগী নিঙাই

**এল প্রেমচান্দ**

ঐনা খ্বায়দগী তল্লিবসি মেত্রিক চি লাউনা পাস তৌবী ঐখোয় নুপীনা সরকারগী থবক অমতদি তৌগে হায়দুনা গিরি-গিরি তকখৎলকপা অসিদনি। তৌবদি অহিং-নুংথিল খায়দনা কাঞ্জল তুবদুদা তল্লক্লবজাৎনি।

কমপ্লেন্ট তৌই ঐঙোন্দা, "মসিগী থবকসিনদি ওইবা শুকয়া য়ারোই। অশীংবা কাঞ্জল তুবদি নোং-ফাদোক্লি তুগদবা কাঞ্জল ঐখোয়দা থিনবীরক্কদবসু নত্তে। ইন্দোমচা থোকচরবসু মীগী য়ূমদুদা কৈথেল কুম্লকপা ঙাইরুগদৌরিবনি। অদুই মথক্তা নোংথি-নোংমঙবদা খুকউকাসি চীকপনা খাঙবা ঙমদে।"

মহাক্লা কা-হেন্না তকশিল্লকখিবদি মখোয়গী লৈকাইগী অমুজাউনা ভোট অমুক হন্না কাদুনা এদুকেসন পায়বা কান্দুদনি। খঙই ঐ, ঐখোয় ইবাইসু মন্ত্রি অমুজাউগী তুংইনবশিংগী মনুংদা অমনি। তকশিল্লবদি ওইবসু য়াই। অদুবু লুরিবদি ঐখোয় নুপীদু পীক্লিবা ইচাশিং ফাওবা লাইরিক নীংথিজনা তাকপীবা ঙমদে। অঙাংশিংনা হংবদা খুম্বা ঙমদবনা অয়াম্বনি। ইচাতোম্বীদা অ আ ঙাইহাক্তং তাকহনববু, কুইদে, ইচা ইচাতোম্বীসু ৱা লাউনা কপ্পগা মপী লাইরিক্তু অমুক্তং লাক্কুনা লংখিববু শুমাঙ মতোন য়ৌই। কনাগী অ আ পুমচাই।

ঐনা হায়, "ওজা নত্তবা অমা খন্নসি, নঙোন্দা ওজা ওইবগী গুণ য়াওদে।"

মন্ত্রি অমুজাউ অমা বেক্কিং লৈরে খঞ্জবনা ফুতানি লোয়নরবা ঐখোয় নুপীনা খুম্লকই, "ওজানা ফৎত্রো? পাম্বসু এল পিগী পাম্মী। ছাত্র নীংথি-নুংঙাইনা লৈতবা ঐখোয় লৈকাইগী স্কুলসিদা অয়ূক ঙাইহাক চৎলুরগা মোয় বাবাগী অঙাংশিংগী সেবা নীংথিজনা তৌগনি। ওজা ওইবগী গুণ হায়ববু কৈনো, তলব চারগা লোইরে।"

"মহাক্লা খল্লিবসি নথন্তগী অমদি ইমুংসিদগী ৱানিনে। লৈবাকসিগী ৱাখলদি করিমতা য়াওদ্রি হায়বা। কন্ত্রোল লায়না তৌবা ঙম্লগদবা মশীং য়ামদ্রবা ছাত্রশিংদু নীংথিজনা তকপীগে হায়বগী ৱাখলদি মচেৎ অমা ফাওবা য়াওদ্রিনে।"

"হৌজিকপু কনানা লৈবাক্কী ৱাখল খন্নরিবগে? মীনা অঙাওবনি হায়নবা, মীনা পাবীদবা লাইরিক ইবা মোয় বাবাগুম্বা খরনা লৈবাকসি হেক্তমক শেমদোকপা ঙমগদৌরিব্রা?"

হাইস ৱাতাসিদি, ময়াঙদা তাপ লাউনা পায়রক্লি। অৱায়-অখুম তৌনদুনা চগৎ-চগৎ ঙাংনবদু তন্দুনা পারিবা খবরদুদা পূক্নীং চঙশিন্নবা হোৎনৈ। থথা য়াবী ঐখোয় নুপী নত্তে। মখা অধ্যায় লৌথরকই,

"নত্তে ঐনা হায়জরিবসিদা করি অরানবা য়াওরবগে? য়ূমগী নুপী অমা ওইবগী চপ চাবা ইথৌ পাঙথোকচগে হায়বগী ৱানি। নহাক্কী অৱাবদু য়েংবা ঙমদদুনা ঐসু কাঞ্জল তুদুনা মতেং পাঙলিদনা। কাঞ্জল তুদুনা অনা-শিকি তানবগী মহুত্তা তাঞ্জা চারিঙৈসিদা ওজা ওইহৌগে হায়বগী ৱানি, সিদা করি কায়?"

খবরদুদা অদুম্মক য়েংলদুনা লীলাদা তৌবগুম তপ্পা হায়, "শকথিবী সুপর্নখানা মতীক-মপা চাদনা সীতাগী মবুংঙো প্রভু শ্রীরামচন্দ্রবু ফংনবা হোৎনরুবদা মনাতোন কেনখিবগী ৱারীসু লৈবনিকো, অ... হ... হ... ম।"

কদায়দগীনো মাগী মতীং শোকপী পায়দুনা ঙাংলুরমানে, ভৈরবীগুম মখোঙগা থীল্লদুনা কপশাউ শাউনা ওহোক্লা ঈশৌ লাংনা হায়রকই, "মদুগী প্রমানদু মসিদা সুকচান হেক চানদে। মদুদি নখোয়গী মীনা পাবীদবা লাইরিকশিংদু ইবদা ওইনা হাপচিনবীয়ু। য়ূমগী নুপীবু ইমুংদা শুজা কাহল্লগা নমশিন্দুনা থম্বা নখোয় অইবশিংগী মরমচৎলা? নমান্নবনা স্কুতর, কার তোংনখ্রে, ময়ূম চেক্না শানখ্রে। ফজরবা য়ূমগী মনুংদা মফম চানা চানা টেলিভিজন, তেপ রেকোর্দ, রেফ্রিজরেতর, ৱাশিং মেছিন। নহাক্কীদি করি লৈরি। সাইকল চীদেকপী অসি তোংলগা ওফিস কাবা নমান্নবশিং মমাঙদা ইকায়বা করিমত্তা পোক্তে। নচাশিংসি অসুম্মায়না অসুম পীক্কুনা লৈরগদরা? নচাশিংগী করি প্লান তৌরি? নহাক্কদি হায়রি, লৈবাক্কী সেবা। অদুগা নহাক্তি লৈবাক্কী ৱাদি লায়রদনা ঐগীসু য়াওদে, ইচাশিংগীসু য়াওদে, নহাক্লা খল্লিবসি নথন্দগীনি। শুপ্পগী নহাক্কী পামজবদুদা নথন্দা ঙাওজবা।"

হরে কৃষ্ণ, হরে কৃষ্ণ। ৱা অসি অৱাংলোমদা ফৈনা চৎখ্রে। হনবা লৈতে, মখা তারকই নীংবদা থৌবী, "নঙনা ঙাওবদা ঐ য়াওবা ঙম্লোই, হয়েংমক চৎতুনা ঐখোয় তাদা উন্নরুগনি।"

উপায় লৈতে। তুমিন্না লৈবনা লেন্নগনি খন্দুনা তুমিন্না লৈরে।

ঙসিদি পেন্দিং লৈবা খুদিংমক শুদোক্লবা হোৎনবদা ওফিস কুম্লকপা খরা থেঙলে। ঐখোয় নুপীদু অয়ূক তৌহৌবা মতৌদুগা নুমিদাংৱাইরম লৈরম্নিবা ফীভমসিগা ওহোক্লা খেন্নখরে। তোংলকপা সাইকলদু লৌরগা ইমুং তম্না ইনশিনবীবদুদা ওফিসতা ৱারুবা পূম্বা কাউখি।

নুমিদাংদু চাক ঙন্তা থোংই। ঙা মচা অমা থোংননবা হোৎনরি। য়োংচাক আলু ইরোম্বা অমসু য়াওরি। ইচাশিংদুসু হৈবোই-হৈতবোই মতেং পাঙবা য়াও, য়েৎপা য়াও, ইরাঙ লাঙলি। লক্রে, "ঙসিদি নমাসি লুহোংবৈ কাঞ্জল তুরুরবরা কৈনো, কুইরবনিদা ঙা কাইদু চাদবা।"

ফজরবা শংত্রিক শংবা মোরোক অতেকপা অশংবদু তঞ্জায় খায়রদুনা ঐখোয় নুপীনা খুম্লকই, "চাবু চাগে হায়রবদি লুহোংবৈ কাঞ্জল তুবা তুদবা চাবা য়াইনা। হো ঙসিদি পীজরগে হায়বা অমা য়াওনা নোংমগী মঙা-তরা তুংশিঞ্জবদুনা থৱায় য়াওনা হোৎনজরিবা। ৱারৌখে হোৎনরগা হোরেল হাউতে কায়না হায়রবদি অনীরক হনবগী ৱা লৈতে।"

পুক থন্না চারগা খুজাইদগী ঈশিংদু পেন্না থকপা লোইরবা তুংদা ইচাশিংগা লোয়ননা চারিবী ঐখোয় নুপীনা হায়রকই, "হয়েং ঐখোয় তাদা উন্নবা হায়বদু শোয়বা য়াদ্রেকো।" খল্লিবনি ঐসু ঙসাইদগী, ঙসিগী চাকসি মরৌ লৈসে। হৌজিক্তদা মথি ফোঙলকই। ঐনা মোঙ হাদনা হংই, "নঙবু ঙসাই অয়ূক্তি নথন্তা চৎকনি হায়বদাইনে।"

"মোয় বাবা লৈনা লৈনা ইথন্তা করিগী চৎচরুনি। অসুক লুখ্রবা মতাংসিদা চেন্নদবা সুকয়া য়ারোই। অদুই মথক্তা ৱারী কুপথরকপদা ঐখোয়দি চন্নরোই। ঐখোয় তাদদু রাজনীটি য়াওরিঙৈদগী মখোঙ য়াম্না য়াম্লবনি। ঙন্তা হেক্তা চৎলুসি। হয়েংসি নুমিৎসু য়াম্না ফৈ। অফবা ৱারী শাবা হৌবগী চপ চাবা নুমিৎনি হায়দুনা পাঞ্জিনা হায়রকই।"

"পাঞ্জিগসু য়েংলুরজাৎ ওইরে। চৎসি চৎসি। হয়েংসে ঙন্তা হৌগৎলগা মায়-মীৎ তাবা তাদবা ইবাই উন্নবা হান্না হেক্তা চৎলসি। ইচাতোম্বী ইচাতোম্বী নোয় মমাসে ওজা ওইদৌরবনি খঙলব্রা।"

ইচাতোম্বীনা ইপঙ পঙনা হায়রকই, "মমা, মমা, মমানা ওজা ওইবা স্কুলদুদা ঐসু তমগেকো।"

ইচাতোম্বীগী মতৌদুদা মচে অনীসু নোকই। মমানা খুম্মী, "তমহল্লোই, করিগী ইচাবু ফক্লাং শেগায়বা স্কুলদুদা তমহঞ্জরুনি হায়বগে। তাই পুল্লগা মিসন স্কুলদা ভান তোংদুনা কাহনগদৌরিবনি।"

মথংগী নুমিৎতু ইবাই উন্নবা ঙন্তা চৎলি। ভাবনরা খঙদে, ইবাইদু মহৌশাগী ইবাইগা মান্নদে। চীং-লেম্বা হেনগৎপরা নৎত্রগা খূৎশেম্না হেনগৎনবা হোৎনব্রা করিনোমা তৌই। মশেন অমা ওইবগী তৌফম থোকপা ভক্তি তৌরবগী তুংদা ইবাইনা হংলকই,

"করি লৈবা, চুম্না সুম লাকপ্রা?"

ঐনা খুম্মী, "ইবাই, চুম্না সুম লাকপা নত্তে,, ৱানোম্বা লাকচরিবনি।"

"হায়য়ুনে, হায়য়ুনে, হায়নীংবদু দোঙ দোঙ হায়য়ুনে। ঐসু মন্ত্রিগী মনাক্তা অরুবা ৱা অমা তান্নবা চৎকে তৌরম্লিবনি।"

নীংবদা থৌবী মচল নুপীনা তাপ লাউনা ওল্লকই, "তাদা ঐ ওজা ওইদবা য়াদ্রে।"

মবুংদু ঙকপ্রা করিনো, হায়রকই, "এঃ ওজা!"

ঐনা খুম্মী, "ঔ ইবাই, এল পিগী ওজা ওইবনা ফরে, কাঞ্জল তুবা ৱারে হায়রিয়ে। ঙরাংদি য়ূমদা ওজা ওইববু হৌখ্রেদা। মচানুপী অতোম্বীদুসু মমাগী স্কুলদা তম্নি হায়রি।"

মচলনুপীনা অমুক হায়রকই, "ফাগী নত্তে তাদা, তা-অমুজাউনা এদুকেসন পায়রিঙৈসিদা তাদনা য়াননবা হোৎনবীয়ু।"

ঙাইহাক্তংদুদা মন্ত্রি অমুজাউগী মহুৎ ইবাইনা শিনখ্রে, হায়রকই, "নঙনদি খঙদবনিনা লায়না হায়রিবা। লুরিবদি ভেকেন্ট অমত্তা লৈতবসিনি। ছাত্র মশীংদগী ওজা মশীংনা হেন্না লৈবা ঙাক্তনি সরকারগী এল পি স্কুলশিং অসি।"

ঐখোয় ইবেম্মদু খুদক্তা ফেৎ লাউনা শাউরকই, "খঙদে খঙদে তাদা, অদুফাওবা ঙমদ্রবদি তাদা লৈবৈ কৈকান্দেনো? ময়াম্না পীজনবা পৈশাদু ঐখোয়সু পীনি কৈনো।"

ইবাইদু শাউরকই, "এ! শেল য়াম্না পায়রবোইদা। থবক হায়বসিদি হান্না অফ-ফত্তা মুন্না খন্নদবা য়াদবগী ৱানিনে। নঙবু থায়নগী স্বভাবতু ইহোং হোংদ্রিনে। অসিনবু ওজা ওইনি কায়না। য়াবু য়ারবদি ঐঙোন্দগী শেল লৌবা করম্মায়না ঙমদোইনো?"

ঐখোয় ইবেম্মনা মখা অমুক্তা ওক্লক্লবদি ঐ ফম্বা ঙম্লক্লোইদবগী ফীভম লাকপদুদা ঐসু হায়, "ইবাইনা তৌ-তৌ হায়বদু ঐখোয় ইনবা তাবনি। সি তৌসি হায়বদু ইবাইনা হেক্তা তাকপীয়ু।"

ইবাই ঙাইহাক ৱাখল তৌই। হায়রকই, "ফরে, হৌজিক পুল্লপ চৎলসি, ৱা হৌদোক্লুরসি। অদুগা হায়হৌগদবা ৱা অমদি তা-অমুজউনা ঐঙোন্দদি ওইদবা ঙাংলোই। অশেং-অশেংবা ৱা অদুম্মক হায়রক্কনি। মদুদা নঙগী হৌনবী তৌরকপা য়ারোই। হরাউ-হরাউ তাগদবনি। থবক হায়বসি হোৎনবা ঙাক্তনসু য়াদে, দাউ হায়বা অমসু লৈ। নখোয়না তৌগদবা হায়ববু তুমিন্না তাবা, মনুংগী লৌ ঐগী দাইনি।"

ঐখোয় পুল্লপ মন্ত্রি উন্নবা চৎমিন্নরে। প্রোব্লেম্না শৌ শানা লৈরবা এদুকেসন পায়বনিদনা। মী ফনা য়াম্না লৈরম্মী। নীংশিংলকই তখেল্লম্বম চাউবগী 'ঈপোম' ফাগী মতেক অমা "ৱাকোল্লো ৱাকোল্লো, চীংদা তাবা কাঙবুনা তমদা তাগে মহায়বা, তমদা তাবা কাঙবুনা চীংদা তাগে মহায়বা, ৱাকোল তানোয় নোয়।"

খনবা মীৎকুপ্তা হায়ফেৎ খঞ্জিল্লুই, লমদমসিগী হয়েংগী মরাইবক? খল্লি ঐদি, পিন শৎলবা হেন্দ গ্রেনেদনি, শুপ্পতগী ঙাইরিবা পোকখায়গদবা মতমদু।

কুইনা ঙাইদে ইবাই য়াওবনিনা। ঙাইহাক ইরাঙ য়েংলগা ঙাইরিবা ময়ামদু কাল্লগা মন্ত্রিগী কাদা গোরোং-গোরোং হেক্তমক চঙশিল্লি। শিংখ্রবা ইবাইনি। চঙলমদায়দুদা হান্না খঙনরবা থোঙ ঙাকপদুদা মী অতৈ থাজিল্লকখিনু হায়রম্মী। মন্ত্রিনা হান্না কৌরকই ইবাইবু, "কহ্নাই য়ৌরক্লেদনা। করম্মাই তৌরে?"

ইবাইনা খুম্মী, "তামুনা শেম্বা ননাউ কহ্নাইনা ফনবা লোয়না শীঞ্জরে। ক্লব তরাতরেৎকী সেক্রেটরী চেয়ার্মেন লোইনা উন্নরে। অফবা ৱানিনা হরাউহৌই। ক্লব খুদিংমক্কী কাক-কাক লাউবা মীহুৎ অহুম-অহুম থারক্লগনি। ইরোইশেম্বগী কাঙবুদুদি নুংঙাইখ্রবজাৎনি। লম্ফেৎপাৎতা অদু তৌবা অদা তৌবা, শামুশঙগী উকু ফজনা শেম্মগা নম্বুল তুরেল খোংনুং ফজনা তেংলবদি লৌদা ঈশিং থুম্বা ফবা, ইরোইশেম্বদা পার্ক অমা ফজনা শেম্বা, দিস এন্দ দেৎ। ঐসু ময়াম্না পাম্বীবা, তৌহন্নীংবা তৌহন্নীংদবা, পেন্দবা লৈবা কয়ানচিংবদু নুমিৎতুদা থম্মোয় শেংনা হায়বীগদবনি হায়না মন্ত্রিনা হায়রকই সিনি।"

মন্ত্রিনা হায়ফেৎ নোক্লগা হায়রকই, "অদু কৈদৌঙৈ তৌসি হায়বা।"

"লাক্লিবা সেকেন্দ সটরদেগা শন্দেগসিনা ফগদ্রা খল্লি।"

"ফরে, মদুনা ফরে। নুমিৎ নীনি চঙনা মমুৎ তানা হেক খন্নরগা লোইরে। বার্তনসু নমসি, ঐখোয় কৈদৌরি হায়বসি খঙহন্দবা য়াদবনি।"

"অদু তামু এঞ্জাংদি হাউতবা য়ারোইকো। হন্দক্কী মতাংসিদা খোঙফম হেন্না চেৎশিলহৌনবা হোৎনবা ফৈ খল্লি।"

"য়ারে য়ারে, ঐ লোইনা খঙলে। নখোয়না ফনবা শীল্লগদবনি। ফমখো ঙাইখো, কিরনখোয়সু লাক্লগনি। ৱা খরগা খন্নখিসি।"

"য়ানি তামু ফমজখিগনি। অদু তামু ঐখোয় রত্নানা নিঙাই অমা কন্না তৌখৎলক্লিনে।"

মন্ত্রিনা নোক্কুনা হায়রকই, "ঐ ঙসাইনা ভাব তারে। শক নুংশিদদুনা কৌরোই হায়দুনা কৌদ্রিবনি। কেন্দ্র পুল্লিববু ইলেক্সন্দা নোংমতা হেক উদে।"

খাম্বা নঙহৌদে ঐখোয় নুপী, ফৎ লাউনা কাপথোরকই, "এ! কদায়দগী তামুজাউ। ঐনিনে ঐখোয় লৈকাইগী কেম্পেইন্দা মাঙ থাবদো। নুমিদাং অমসু চা লোনবা অদুক কুইনা য়াওরম্মীবদুবু, ইনমবেম্মনা চাক চারগা চৎখ্রে হায়দুনা চাক্কা চাখ্রিবদুবু। ভোট নুমিৎতুসু ঐখোয় লৈকাইগী কেম্পতা চা লোনথোক্কা লোনশিনগা তৌদুনা নুমিৎ চুপ্পা অমা লৈরিবা মমাঙ লৈকাইগী গম্ভীনিদুনা কয়া মীৎ নাখ্রে। রাশি ইকং হেক কংলদুনা মী হোইদোকপদি হৈসু হৈতনা খা-ৱাং কোয়চেন হেক চেনশিন্নরদনা, মোয় ইমুংগী মী ফাওবা শুনা হেক থাদদে। মঙোন্দা শীন্নবা শেলশিংদু ঙম্না হাইহৎলন্নদবনি।"

ঐদি ফনবু নুংঙাইরি তাবা, রেডিওগী ড্রামা, শুমাঙ লীলা নীংশিংলকই। মবুংদি তাবা ৱারমানে, খাম্লকই, "রত্না নঙগী হৌনবী তৌরক্লগনু।"

মন্ত্রিনা হায়রকই, "হায়জসনু কৈদৌগে ইচলনা হায়ববু। ঐসু ইচলগী থম্মোয় থৌরিবনি।"

"ঙকচরেদা তামুজাউ, ঐদি শাউনিংদুনা লোয়না হায়দোকখ্রে।"

"থম্মোয় শেংবদুনিনে ঐনা পাল্লিবসি। মথংগী ইলেক্সনদি নখোয় লৈকাই নঙগী দাই। ইচলদা ইবুংনা লোইনা শিন্নগনি।"

সাবাশ! চীন্দোল্লা লৈতোল্লা প্রমোসন অমা ফাওবদি ফংখ্রে। সাবাশ, ঐখোয় নুপী সাবাশ! ঐৱা, নমষ্টে।

হন্দক্তি ঐগী পালি তারমানে, মন্ত্রিনা ঐঙোন্দা হংলকই, "ইবুংঙোদি লাইরিক্কা ইরে কায়না তায়, করম করম তৌরিবা?"

"অং তামু, পামজদুনা খরা খরা তৌজে, য়াম্না কন্না তৌবদি ঙমদেদা। ফোঙবগী মতাংনি য়াম্না ৱারিবসি। শৎ-শৎ ফোঙবা ঙমগদবা লৈরবদি ফজবা-ফজদবা খরা হেন্না ইবসু য়াবজাৎনি।"

"ইয়ু ইয়ু। ফোঙবা হায়বদুদি মতাং-মতাংগী ৱানি। লাইরিক অমদি ফোঙলে হায়বদাই, ঐসু পাগেদনা।"

"অং তামু, পীজরক্কে।"

"চহী-চহীগী এদুকেসন দিপার্টমেন্টকী হেক- হেক লৈবদুদা য়াওনবসু ঐনা শীনবিগনি। অদু নোয় হৌজিক্কানগী অইবশিংসি মন্ত্রিশিংসি য়াম্না শীথদুনা ইনে। হং, ঐনা হায়রিবসি লান্না খনগনু। ঐসু পারিবনি মরক মরক্তা, অদুনা খঙই। ইয়ু কৈসু কায়দে। ইনীং-ইনীংবা ইগদবনি, হায়নীং-হায়নীংবা হায়গদবনি। অদুবু সিমদি ভাব তানবা ফরে, মন্ত্রি ঙাক্তা নাত্তে ফৎত্রিবসি। লাইবক ফবনা মমাঙগী টার্মদসু মন্ত্রি ওইরম্বনিনা ঐহাক ফজনা খঙই, মরু ওইনা ফৎত্রিবসি প্রজানি। প্রজাশিংসে ওহোক্লা ভাব তাদে।"

তাঞ্জাদুদা টেবলদা লৈরিবা টেলিফোন অহুমদুগী ময়ায় থংবদু রিং লাকই।

"হল্লো... মানে মানে অমুজাউ... হা হা হা... সনাখ্যা... হা হা হা... অদো মণিপুরসিবু য়োম্থোকখ্রসি হায়রিরো সনাখ্যানা তাকপীরিসিবো... হা হা হা... সনাখ্যানা অৱাংলোম থংবা লৌগে হায়বা... হা হা হা... য়ারোই য়ারোই সনাখ্যা... হা হা হা... ফনি ফনি খঙজরে... হোয় হোয়... হা হা হা... চাকলুক্তা খুজাই থাঙজিন্নবসিমদি থাদোক্লরসে... হা হা হা... ফনি ফনি... ফনি ফনি।"

টেলিফোন থমখ্রে, হায়রকই, "মন্ত্রিগী ফাগীসিসু নুংঙাইখ্রপোৎনি।" অদুদগী ঘড়ী হাইফেৎ য়েংলগা তুংদা মন্ত্রিনা হংলকই, "ইচল রত্নানা তৌবা নিঙাইনা করি মরমগী?"

ইবাইনা খুম্লকই, "এল পিগী ওজা ওইগে হায়রিয়ে তামু।"

মন্ত্রিনা হায়রকই, "ওইয়ু ওইয়ু ইচলসিদি, ঐ লৈরিদনা। মতম খরদি ঙাইবা তারে। হৌজিক্তি ভেকেন্টসু অমতা লৈতে। পাক লৈখিরোইদৌরি। হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদি ওজা হাপকদবা নত্তে, লৌথোক্কদবনি। য়াম্নসু তল্লি মসিগী পোর্টফেলিওসি। অদুবু ইচল রত্নাগীদমক্তদি শীনদবা য়াব্রদো। নখোয়সু মরক মরক্তা কোয়থোরকউ। ঙসিদি ঐ চপ চাবা হায়বা ঙমখিরোই।"

ইবাইনা ৱা শমজিল্লকই, "ফরে তামু, রত্নাগী ৱাফমসিমদি ননাওগী মায় ঙাকপীরো। ঐ অমুক হল্লকখিগে, মবানিসি অম্বায় ফাওবদং থিন্দোক্লুখিগে।"

থোকমীন্নরক্কে। ইবাইনা হায়, "তামুনা তৌনি হায়রবদি শোয়দনা তৌরগদবনি। করিমতা নুংশা থীরুরনু।"

ঐখোয় নুপীনা খুম্লকই, "মরৌ লৈদা তাদা। শেল থোমজিন্দ্রবদি নাখে শেংদৌ মান্দে।"

ইবাইদু শাউগৎলকই, "নঙগী হৌনবীদু য়াররোই। শেল পীবা তারবসু মতাং অমা লাকখিগনি।" ঙাইহাক ৱাখল তৌরগা ইবাইনা অমুক হায়রকই, "ফরে, নহাক্লা য়াম্না তৌনিংলগা তামুদু মৈতে শরেং য়াম্না পামজবনি। খরা হেন্না থৱায় য়াওশিনবীনবা হয়েংলা, হংচিৎলা খুদোংচাবা য়েংলগা মৈতে শরেং ফজবা অমা লৈরগা নুংদাংৱাইরম হেক থিল্লুচো।"

ইবাই লৈহৌরে। ঐখোয় নুপীনা হায়রকই, "হায়গুমদুনা মৈতে শরেং অমা লৈরগা থিল্লুরসি।"

ঐসু খুম্মী, "লৈসি লৈসি। হয়েং হংচিৎ হায়বদুমা ঐ ঙম্লোই। লুপা ১০০০ মগী ময়াদা পীগনি অমদা। পাক পাকসু ফংলোইদৌরিবনি।"

"মাগী হৌনবী শীৎ-শীৎ নাম্থোকপী হৌরক্লে। ৱারী হৌরুরবনিনা হৌজিকপু তুমিন্না লৈথোকপা য়ারিবরা। গিরি গিরি তক্তবা য়াদবনি।"

"হোয়নে, অদুবু হৌজিক্তি থামৈনি হায়বা। তলব ফংলগা খরা তপ্পা তৌরবসু য়াই হায়বগী ৱানি।"

"খঙদে খঙদে ঙসিমক কনাদেনো তলব ফংলগা পীগে হায়দুনা লুপা ৫০০ লাকপীরকউ। অৱাৎপদুনা ঐসু কনাদেনো থিরগে।"

ওফিসকী থবক শূনা-শূনা ৱাখল অসুম তৌই। মফম খঙদে, ৱাখলসি ইয়ান য়ান্নে। অমুক পংশাউদা শাউনীংই, অমুকসু হরাউগুম তৌই। অরোইবদা তারক্লিবা ৱাফমদি শেল পুরকউ হায়বা ৱাফমসিদনি। থামৈসিদা কনাদা হঙ্গদৌরিবনোনে লুপা ৫০০ হায়বদু। মমৈথংদা ঐখোয়গী কাগী কেরানি লৈশাবী অমদা ৱারীদু শারুবদগী তলব ফংলগদি পীরকউকো তামো হায়দুনা লুপা ৫০০ উচিন-নাচিন্না ফংলে।

ওফিস কুম্লকপদা খ্বাইরম্বন্দ বাজারগী ঙায়োনফম থুংনা চৎতুনা য়েংই, মৈতে শরেং থোকপ্রা? থোক্তে। অসামগী শরেং অমুবদু পুংদোল মনানা তক্লম্বদি য়াওই। ঐখোয় লৈকাইগী ইনেশিং অমা ঙায়োনফম ফল্লম্বা থেংনৈ। মঙোন্দা হংই,

"ইনে, মৈতে শরেংসিবু ইফং ফংদ্রবজাৎলা?"

ইনেদুনা খুম্লকই, "করিগী ফংদগনো ইয়াসিদি। হোয়, নীংলকপদা ফংবা পোৎতি নত্তরে। তাঙবু তাঙখরেদা।"

"তাঙজসনু। য়াম্না ফজবা তগৎ তগৎ তেকপা অচৌবা অমতং পাম্মী।"

"কনা পীজগে হায়রিবনোনে?"

"ৱানোমদৌরিবনি ইনে। মন্ত্রি পীজগে। মন্ত্রি মবুক কংবা অমুক্তা হেনগৎহনগে।"

"হা হা ইয়াগী ৱাতাসিদি। লৈনে লৈনে, য়াম্না লৈনে। অহাউবা অতাঙবা ফংনদবা ঙাগী জাৎ ৱানোম্বগীদমক য়াম্না লৈনে। মমলদি চাউরাক্লা হান্না খঙখো। ঙরাংদু থাগাইমুক শাংবা অমা লুপা ৯৫০ দা য়োনখি। ফজবা হায়রবদি অদুগুম্বা তারে। নঙনা লৌগে হায়রবদি ঐনা হয়েং অয়ূক ঙন্তাদগী ঙা পুরকপা লুমগদৌরিবনি। পাউ চেনফমসু লৈ। শোয়নদনবা লুপা ২০০/৩০০ ঐঙোন্দা বোইনা পীরম্মু। অদুগা হয়েং নোয় ইবেম্মদু নুংথিল পূং ২ / ৩ অদুৱাইদা সিদা অমুক্তা লাকহল্লু নৎত্রগা নঙনা ওফিস কুম্লকপদা চঙলক্লবসু য়াইদা। মশা নাদনবা ঐনা তৌবীরম্লগা লোইরে।"

ঙাইহাক খল্লি। অদুদগী ইনেনো ফনবা তৌবীরো হায়দুনা লুপা ২০০ পীরম্লগা থোরক্কে।

ৱাফমদু য়ূম য়ৌরগা ঐখোয় নিঙাই চাউবীদা তম্মী। হরাউজে। মানা হায়, "ইনেদা পীরম্লবদি শোয়ররোই।" অদুদগী অরেম্বা লুপা ৩০০ দু পায়শিনখ্রে। কলেজা জাৎ অমনি, পীনিংবা পৈশা পীজসনু মহাক্লা অৱাৎপা পূম্নমক হাপকনি হায়রি।

হায়নবা মতুং ইন্না ওফিস কুম্লকপদা ইনেগী মনাক্তা চঙই। ঐখোয় নুপীসু লৈরম্মী। মন্ত্রিগী মনাক চৎনবা থৌরাঙ লোইরম্লে। ওখাক ফজরে শরেংদুসু। থাগাই অমা খরা হেন্না শাংই। মমলদি লুপা ১,১০০ নি হায়। চৎলমদায়দা ইনেনো হায়হৌই, "মঙ্গল ওইয়ু, মঙ্গল ওইয়ু। ঙাদুগী মহাউদা নোয়না হায়রিবমখৈ য়ারদবনি।"

রিক্সো অমা ফাদুনা মন্ত্রিগী ক্বার্টর তম্না চৎলে। মহাক্তি করিবু খল্লমগনি হায়গে, মাগী থবক্তু মঙ্গল ওইনবা মানা থাজবা লাই নীংশিংলমগনি। ঐদি পূক্নীং নুংশিবা অমদুম পোক্লকই। ফজরবা ঙাদু ইচাশিং পীজরবদি কয়াদা হাউনা চাজগদবা। রত্নানা শোল্লকই, "তামুজাউদু লৈরম্লবদি নুংঙাইনিদা।" ঐনা খুম্মী, "মরাইনা লৈজরমনিদা, লৈরমদ্রগা ইতৈবেম্মদা শিন্নরম্লগা লোইরে।"

ক্বার্টর য়ৌরে। ঐখোয় চঙলকপদুদা মন্ত্রিনা কৌরকই, "লাউ লাউ চঙলকউ, করি করিনো য়াম্না পুরকইদা ঙসিদি।"

রত্নানা হায়রকই, "মৈতে শরেংনি তামুজাউ। লুপা ১,১০০ লৌহৌই।"

"খরা হন্থবা অমা লৈরকপা য়াদ্রো অদুবো।"

থবক-ইনখাং নোম্নবা থল্লিবা পাখঙ মচাদুনা শরেংদু চাকখুন্নোমদা পুশিনখ্রে। ঙাইহাক লৈরগা মন্ত্রিগী ইতৈবেম্মসু থোরক্তু না ৱারী শান্নবা য়াওরে। শানরিবা ৱারী মখল-মখানি। এম এল এ খুদিংমক মন্ত্রি ওইনিংবা, কেন্দ্র খুদিংমক্কী প্রজা অয়াম্বনসু মাগী মাগী কেন্দ্রগী এম এল এ খুদিংমক মন্ত্রি ওইহন্নিংবা অমদি মাগী মাগী কেন্দ্রগী থবক্তমক তৌহন্নিংবা, মন্ত্রি ফম মিকানবদা চোংথোক-চোংশিন তোয়মনবদগী সরকার মরা চেৎপা ঙমদবা, পূম্নমকসিগী মথক্তা চীফ মিনিষ্টর ওইনিংবা মশীং হেনগৎলকপনা মখল-মখা কয়াগী লোভী তৌনরকপদা লৈবাক্কী থবক নীংথিনা তৌবা ঙমদবনচিংবা কয়া মন্ত্রিনা পীরি। ৱারী কয়া শানরবা তুংদা ৱারোই ওইনা হায়রকই, "নঙগীদু রিগুলরদা হান্না হেক্তা হাপ্পদি য়ারোইদৌরি। থা অহুম-মরি লৈরগা ওফিসিয়েটিংদা ওজা খরা হাপ্পবা শেম শারি। মদুদা য়াওহৌনবা ঐ শীল্লক্লগে। তাঞ্জা চাবা কান্দা রিগুলরদা হেক ওহোকপা হায়বদুনি। য়ারেদনা।"

ৱারী লোইরবনিনা ঐখোয় থোরক্কে। ঐখোয়না থোরকপদু নুমিদাংগী পূং ১০ মুক তারে। রিক্সো ফংদদুনা খোঙনা অদুম লাক্কে। চৎনা চৎনা ঐনা হায়, "নঙবু পৈশাগা লেমজদ্রবরা মন্ত্রিগী ইমুং মনুংদা মৈতে শরেং অচৌবদু চাজহৌরবসু ঐখোয়সু ঙাজাউ মকক অমতংদি লৈরগা ইচাশিংগা লোয়ননা চারুসিদনা।"

ঐখোয় নুপীসু য়াওরি হায়দুনা খুম্লকই। উচিন-নাচিন্না হোস্পিটাল গেৎতা রিক্সো অমা লৈরমদুনা তোংখৎলগা খ্বাইরম্বন্দ তম্না লাক্কে।

খ্বাইরম্বন্দ য়ৌরে। থেঙলে অঙাংশিং ৱারম্লগনি থুনা থুনা তৌসি হায়দুনা পরপ পরপ ঙায়োনফম্লোমদা চঙই। নাতৈ চাবা ঙা ইয়াও য়াওদে। মমৈথংদা কৈথেল মনুংগী মৈনা য়ৌদবা মফম অমদা মুশি-মুশিবা পোদোল অমা থাল্লদুনা ঙাজাউ মকক অনীখক্তং থারদুনা য়োল্লম্বা থেংনরে। হংই, "কয়া কয়ানো?"

নুপীদুনা খুম্লকই, "লৌরো লৌরো ইবুংঙো, রৌ মকক্লি। ঙসাইৱাইদি লুপা ৪৫/৪৫ দা য়োল্লম্বনি, লুপা ৪০ দা লৌখ্রো। অনীমক লৌগে হায়রগনা লুপা ৭০ হেক পীরম্লো। ঐসু হন্নিংবনা লোইরবনি।"

ঐখোয় নুপীনা হায়, "ঐখোয়দি মী য়ামজদেদা, অমখক্তং লৌগে লুপা ৩০ পীরম্লগেকো।"

"মঙাদংদি হাপ্লকউদা ইনাও নঙবো, ঐবু য়াম্না মাঙবা তারেমি।"

"হাপ্লরোই হাপ্লরোই" হায়দুনা ঐখোয় নুপীনা লুপা ৩০ খক পীশিল্লি।

"ফরেহৈ, চারুরো ইনাওসিদি, থেঙগা থেঙবনে, অমসিনা ঐনা কোক চাথোক্লুরগা লোইরে, মাঙঙগা মাঙ, তারগা তা।"

ঙাদু হাপচিল্লগা হোবে হোবে য়ূম পাঙলক্কে। ইচাশিংদু তুন্নম্বা য়াও, লৈকাই কোয়রম্বা য়াও, ইমুংগা পূমচাই চাইদুনা লৈরম্মী। ঙাইহাক্তং মা-ঐ চঙদুনা হাথু হাথু হোৎনরিঙৈদুদা মৈসু থোক হেক মুৎখি। খঙহৌদে, ঐগী মচীং অৱাংবীদু কাঙলকই। লাঞ্জদবা অঙাং খরসু চৈ চারে। কপ্পি কপ্পি ইচানুপী অহলনা "মোয়না থেঙনা হনখে হল্লক্লগা" হায়দুনা মৈ চুখৎলি। ইচানুপীগী মপি উরুবদগী ঐগী মচিংদুসু হু লাউনা হনখ্রে। তাঞ্জাদুদা মমানা চাকশঙদগী লাউরকই, "ঙাসিদি মশা ফজনা নারে, উং মনমসিদি!"

"ইবেম্মা, নাৱা নাদৱা, থোকঅ-থোকঅবা হায়দুনি, হাথু-হাথু তৌবা থবক্লবু কয়াম য়ুগোৎ চাগনো, মরোয় মপাঙগা হিংগদু খরা য়াম্লপ থাকচিল্লু।"

চাক লোইরে। পুমকোই কোইনা ফম্মীন্নদুনা চাননবা থৌরাঙ তৌরে। চাক খোৎথদুনা তেঙ্গোৎতগী মহীদু খরা হৈথরগা তোৎলবা তুংদা চখোম অমা হুকই। ওকঃ করি মতৌনো সিদি! চখোমদু শায়রুদ্রে, পুময়োৎ য়োৎশিনখ্রগা ঈশিং য়াউম খরা কুৎ কুৎ থকচিল্লগা অদুম খূৎ হামদোক্কে।

নুমিৎ মঙানিগী তুংদনি। পাউ অদু শরা শন্না শন্দোরকই। পাউচেশিংগী হেদলাইন্দা য়াওরকই, মন্ত্রি-মন্দল রিসফল তৌরে। অমুজাউগা লোয়ননা মন্ত্রি অহুম মন্ত্রি ফমদগী লৌথোকখ্রে...।

নুংঙাইরবা আশা অমগা লোয়ননা মশা খীং খাং লাউনা হরাউ-তয়াম্না লৈরম্বী ঐখোয় নুপী নুমিৎতু শাউদুনা ৱা মচেৎ অমতা ঙাংদনা কাঞ্জল মঙা তুখি।

---

# শৈরেং

## লান্না থৌরমগী কূম্মৈ

*– নির্মলা রাজকুমারী*

কূম্মৈ ওইখ্রে লান্না থৌরমদো
মীনা ক্রিক ক্রিক ইন্নে।
ক্যু লেপ্পী শেল থাবা,
পালাশিং মোমোন মোমোন
থৱায় য়াওনা ঈশৈ শকই।
লোইশিল্লকপদা পুকম অপাকপা অমা
হাওরবা অচা-অথক ময়োম অনী
দাখিনা লুপা য়াখ্রে
প্রেক প্রেক লাওবা।
মচিন মনাও অনী থৱায় য়াওনা হোৎনৈ।
মীয়াম্না শোন্নে,
ফজনা শোনখ্রেদা, ফজনা শোনখ্রেদা।
অচৌবা কূম্মৈ অমা ওইখি।
কোন্নদি তারকই,
নুমিৎতুদা মীয়াম মমাঙদা
থৱায় য়াওনা হোৎনজরবসু
তোঙান্না চাখিবা মচানুপাদু
থা তরুক ফমুংদা য়াতাদুনা লৈরবা
মপাদুগী মনাক্তদি নোংমতা চঙখিদমাল্লে।

## শিদ হিদাক

*– ইরোম মোবি*

অয়ূক্তা নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরমদা
চৎপা য়াই।
ৱার্কিং চৎতবনা খঙলোই
চৎলগা খঙগনি
কয়ামুক নুংঙাইবা
কয়ামুক কান্নবা
কয়ামুক পুন্সিবা
খ্বায়দগী অথোইবা শাজেলনি
শিদ হিদাক্লি।

## শারৈবাক

*– থৌনাওজম খম্বা*

লেমজনফম ওইরি শারম চৎনা
শারৈবাক্তা মথৌনা লৈনা।
ফংখিবনি মতেং শুনিংদবশিংদগী
ওইখি শেন্দোং মীওৎপশিংগী।
অমুকসু অরোনবা ফাদোক
য়াখি মশানা মীখা পোনবা।
লৈতে শক্তম অরেপ্পা শামীগী
পাথাংকোক পুথাং কোক্তগী।
ফংহৌরি চৈনাদি লেপ্তুনা
তুংগী মীরোল মরাল লৈজদ্রবদা।
নংখি অৱাবা লাল্লুরবগুম
বিধিনরা কর্মনরা?

---

# তাবুনুংদগী

মৈতৈগী পুন্সিরোলগা পেনা হায়বা যন্ত্র অসিগা ইথা থারক্লমদে। পোকপগী ইপান থাবা, লুহোংবা, লান্ন-থৌরমনচিংবদা থৌদোকশিং অদুগা চানবা ৱারী-শিংবুলশিং পেনা শকপনা শক্লরম্মী। মৈতৈগী লান্ন-থৌরম পেনা পলানা ঈশৈ শক্তুনা পাঙথোক্লুরম্মী। অসুম্না পেনা পলানা শক্লরম্বা ঈশৈ অমগী মতেক অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।

"পলেম ইমা ইবেম্মা, নহাক্লা তাইবঙগী য়েক-শল্লাই অসিদা পোকপীদনা চাদ-নাওদা শন্দোক, তাইবঙ কূম্মৈ য়াওরম্মী। পলেমগী তাইবঙ কূম্মৈ য়াওরম্লগা, পলেম ইমা নহাক্লা হেদো নাহে চন তৌরাং ফকচানা, নপারি-নমোম ঐখোয়না পলেমগী য়াইবী কনবা ঙমগদ্রা হায়দুনা, লৈপাক মাইবা, নিংথৌ মাইবা কৌদুনা পলেম-পম্বৌ অনীবু লাইকন্নরকপদা, পলেম ইমা ইবেম্মা, খোইয়ুম লাইগা তাইবঙ মীগা মুন্নরকপদা, খোইয়ুম লাইনা খজিক হেনখিবনা নুংগী লাইৱা কয়া শোল্লে, পালগী লাইৱা কয়া শোল্লে, নুংগী হিদাক কয়া থারে পালগী হিদাক কয়া থারে অদুবু থৌদু নুংপাকথক্তা লাইজা ঈশিং চাইবগুম মান্নখ্রে পলেমগী থৱায় কনবা ঙমখিদ্রে। পলেম ইমানা খাগী লাইজনা ঈহৌরক, কংলা য়াইবুং থারমদায়, কাম্বী মরম তরানিথোইনা চাক্লক্লবদা, তাইবঙপান্দা অশাবনা নুংদা চল্লম, পলেমগী য়াইবীরেল থৱায় অদুনা শামু হকচাং কায়নরমদাই পারী-মমোম য়েংলগা, পারী নুংশিবা ইমোম নুংশিবী, নখোয়দি তাইবঙপান্দা লৈহৌখো, ইমাদি চৎতবা য়ারক্রে। তাইবঙ মপুগী শৈরোই- শৈথেক লোইরে, ইমাদি তাইবঙ চৈথেক লোয়দনা চৎপা তারে, লৈহৌরো চৎলগে। পলেমগী য়াইবীরেলনা, মীৎলু নাপোম অনীদা, তরংগী লাইজা ইরা চেল্লগা খৌনাওগী লৈয়েংনদি খৎপা য়াখিদা, লাইখুরেম্বী ইমানা ফাখিবনা, ৱা ঙাংবা য়াদনা মপারী মমোম চিংনা য়েংলগা পলেমগী য়াইবীরেল হিক্লা হিক্লা কপলক্লে। পলেম ইমা ইবেম্মা, পারীনা চাউরগা, ইমান্নবা মীরক তীল্লনি হায়দনা পারী অমা নমদা পো, ইমোম অমা থাদা পন্নগা, পারি চাউনবা য়োক্লকপা, নোংজু-নুংশা অৱা কয়া খাঙদুনা পারী চাউরক্কনি, ইমোম শাৎলক্কনি খঞ্জরম্বদো শামু পাঙ্গল চাউরকপা মতমদা পলেমগী লমন শিংলমদায়দা, পলেম ইমা ইবেম্মা, খম্নুং সৱা তান, অমং য়াইথোং কুম্বনা হানখ্রে। হন্দক মপোক লাংওন অসিদা নপারী নমোম ঐখোয়না ইমা ইমা হায়দনা মায়কৈ মরি ওল্লগা পলেম ইমা হায়না কৌবসিনা মপোক লাংওন অসিগী লমন শিংবা ওইরগে পলেমও। পলেম ইমা ইবেম্মা, নপারী নমোম ঐখোয়না ইমাগী লান্ন- থৌরম তরামাথোইনি শুবা কোরৌ নোংজা অসিদা শোন্নপুংগী ময়াইদা, মপুনা ফম্বাল লাংবদা, ঈরাৎফুনা মাঙদা থা, হৈরাং পুঙ্গোই থেল, লৈরাং পুঙ্গোই থেন্দনা, তাওজিং হৈরাং খরদং কৎচবসে পলেম ইমানা নীংবা থুংদে হায়দনা তাথি শোইনাই পীরমগনো, পলেম ইমা নখোঙখাদা নপারী নমোম ঐখোয়না হন্না হন্না খুরুমজরিয়ে।"

---

# মণিপুরী পাম্ছে-পাউরৌ, পাউত্তাক

* **কৈনা মী চায়, মীনসু কৈ চায়।**
  – অঙম-অঙম্বা হাত্তোক্লবা।
* **কৈ মচা চাউনবা য়োক্লগা মপু চায়।**
  – মীবু ফনবা তৌরুবা মমৈদনা ওনখৎলক্তু না খুদোংথীবা পীরকপা।
* **কৈগী মমৈ ওইদৈ শরুক হৌদোংগী মকোক ওইজগে।**
  – পীক্লবসু চাউরবসু মকোক ওইনীংদবা মী লৈতে।
  – মীখা পোল্লগা নুংঙাইনা লৈবগী মহুৎতা নীংতম্না ৱানা লৈজগে।
* **কৈ থেংনরবসু মবুক থল্লিঙৈদদি কৈদৌদে।**
  – তমথীবা শা ফাওবা মী শোক্তবা মতাং লৈ, ফত্তবা মীদি মতম পূম্বদা মীগী মাঙনবতা তৌই।
* **কৈ হনুবদি শা চাদবরা।**
  – চহী য়াম্লবসু মশাগী শাজৎ লোনচৎ কাউবা ঙমদে।
* **কৈ লৈবা মফমদা নুমিৎ তাই।**
  – ময়াম্না কিনবা মফমদা অমুক্কা খুদোংথীবা থোকপা।
  – শা কৈ লৈবা মফমদি মী চঙনদে অদুনা নুমিৎ থুনা তাবগুম্বনি।
* **কৈগী মপান নাপীনা তাং নাপীগী মপান কৈনা তাং।**
  – অমনা অমগী ঙাক্লৌ ওইনদুনা অনীমক্কী কান্নবা ফংবা।
* **কৈগী চাক্লেম লাংজা লমহৈনা খুল্লি।**
  – অচৌবা অথৌবগী হুন্দোকখাক্লা অপীকপা অশোনবগী মথ্বায় ওই।
* **কৈবু শিকার তৌরগা হামেং ওনবা য়াবরা।**
  – ওইথোক্লুরোইদবা থবক।
* **কৈমুক শীল্লি হায়বদুনি।**
  – য়াম্না শীনবগীদমক চাংদম্নবা।
  – য়াম্না থীনা হৈনদবা মীশক / পোৎশক।
* **কৈবন চনবদা মখূৎশু কাউথোকপা।**
  – অরুবা থবক তৌবদা খোয়জংদবা, চেকশিনবা ৱাৎপা।
* **কৈমায় নানবনা হেন্না ফৈ।**
  – য়াম্না হৈনদবা থবক অদু করিগুম্বা মতমদা মদুনা হেন্না ফগনি খনবা মতাং লাকপা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

---

# চানক্য নীতি

- মশাগী জ্ঞান লৈজদবা মীদা শাস্ত্র জ্ঞাঁননা কৈদৌননি? মীত্তাংবদা মিংশেন্না কৈদৌননি?
- ফত্তবা, মী শেমদোক্লবা পৃথিবীদা উপায় লৈতে, চাম্মরক চামথোক্তুনসু অমাঙথোঙদা চীন ওইবা য়াদে।
- মশাগী মীগা য়েক্লবদি শিবনি, অতোপ্পগা য়েক্লরগা লন মাঙবনি, নিংথৌগা য়েক্লরগা পুম্মাঙ মাঙই অদুগা ব্রাহ্মণগা য়েক্লরগা শাগৈদু মাঙবনি।
- মরী মতাগী মরক্তা লায়রনা লৈগদৌবগী শরুক্তি মতৎ-মতৎ শেগায়রবা উকু শেৎলগা, নাপীদা ফমুং ওইনা হীপ্লগা, উনা-উহৈ-ঈশিং থক চাদুনা কৈ শামুনা লৈবা বন্দা লৈবনা হেন্না ফৈ।
- ব্রাহ্মণনা উপালনি, মরূনা সন্ধ্যা (লাইশোল) নি, বেদশিংনা মশানি, ধর্মগী কর্মনা মনানি। মরমসিনা মরূবু ঙাক শেনগনি, মরূদু লৈত্রবদা মশাসু মনাসু লৈররোই।
- ইমানা লক্ষ্মীনি, ইপানা ভগবান বিষ্ণুনি। বিষ্ণু নীংবশিংনা মরী-মতানি, মরোল অহুম্না ঈরৈবাকনি।
- উপাল অমত্তদা অহিং চুপ্পা মখল কয়াগী য়ামখ্রবা উচেকশিংনা পোখানৈ, নোংঙাল্লকপদা মায়কৈ তরামক্তা লোইনা পাইনখি। অদুদা তেংথারুবগী করি কান্ননি?
- লৌশিং লৈবা মীনা কনবনি। লৌশিং লৈতবদি কদায়দগী পাঙ্গল লৈগনি? নাপল তৌনা বন্দা চৎখিবা নোংশাদু শিংলবা থেবনা হাৎখিবদুনি।
- ভগবান বিশ্বম্ভর হরিনা ঙাকপীরিঙৈদা ঐনা ঐগী হিংবগী করি ৱারুনি! মাগী থৌজাল য়াওদনা অঙাংগীদমক মমানা অমৃত পীগদ্রা? অসিগুম্ববু মীৎকুপ খুদিংগী উজরগা হে লক্ষ্মীগী মবুঙো, যদুগী মপু, ঐগী মতম পুম্বা নহাক্কী নখোঙ থম্বালবু সেবা তৌবদা শীজিন্নজরি।
- ঐনা লোল অতৈ খঙনিংই। স্বর্গগী লাইশিংনা অমৃত থক্লা থক্লা স্বর্গগী জগোয় শাবীশিংগী চীন্দগী শীম্থখিবা নুংশিবা ৱাহৈশিংদু নীংশিংদুনা লৈখি।
- চেঙদগী য়াম্না শরুক তরা হেন্না শক্তি পী, য়ামদগী শরুক তরা হেন্না শঙ্গোম্না পী। শঙ্গোমদগী শানা শরুক নিপান হেন্না শক্তি পী। শাদগী ঘীনা শরুক তরা হেন্না শক্তি পী।
- মনা-মশিং হেঞ্জিন্না চারগা অনাবা মশীং হেনগৎলি। শঙ্গোম্না হকচাং চাউখৎহল্লি। ঘীনা ফম্বী ফগৎহল্লি, শানা শাদোং চাউখৎহল্লি।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্মা*

---

# মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

১৮০. ঈশিংদা পোকপা আকাশতা পাইবা মশা মরি পানবা মখোঙ তরুক পানবা–
১৮১. পুখ্রি অমা লৈ, মদুদা নাপী মকা অমা ফাওবা তাবা য়াদবা–
১৮২. ফজবদি হায়নিংঙাই লৈতবা চাবদি য়াদবা–
১৮৩. মমা পুক্কংবী অমনা মচা অপিশক অমদা পাখোন শীখিবা, শুকহন হল্লক্তবা করিনো–
১৮৪. পোৎ অমা শীজিন্নবা য়ানবা হোৎনবদা অহুম্লক মমিং, মশক, মওং হোংবা নুংতিগী শীজিন্নরিবা পোৎ, করি পোৎনো–

***মমাঙ নোংমাইজিং (১৫-০৬-২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

১৭৫. খোয় চোপ্পদা তিম্ব্রোক্লা ঙাদা হায়বা।
১৭৬. চফু অমুবদা চাক থোংবা।
১৭৭. য়ুবী।
১৭৮. মী।
১৭৯. ট্রাফিক পুলিস।

---

# চয়োলসিগী ফাগী

**লুচিংবগী মগুণ!!**

মণিপুরগী চীংদগী কারকপা এম এল এ অমগা, মহাক্কী কন্সটিট্যুয়েন্সি মনুংগী অথাপ্পা খুল অমদা সরকারনা নৌনা শাবা স্কুল অমা শঙ্গানবা শিক্ষা মন্ত্রি ( মৈতৈ) গা চৎমীন্নে। শঙ্গাবদা তিনবা মীয়ামদা মন্ত্রিনা মৈতৈলোন্দা ঙাংবা ভাষনবু চীংমী এম এল এদুনা মতেক-মতেক ওইনা মরোলদা হন্দোকই। মন্ত্রিনা ঙাংবা অশাংবা ৱাহৈশিংবু ৱাহৈ অমা অনীদা হেক্তা হন্দোকই, অদুবু ঙক্লিবদি ফজবা মতাংদা মীয়াম্না খূবাক খুরকই, নোক্নীংবা ফাগিগী মতাংদনা ৱা-ৱা হেক্তা নোক্লরকই। মদুদা ঙক্লবা মন্ত্রিনা ভাষন লোইরবা মতুং এম এল এদুনা হংই–

**মন্ত্রি** – করিনো সাহেব! ঐনা মিনিট ১। ২ চঙনা ঙাংবা ৱাহৈশিংবু সাহেবনা ৱাহৈ ১। ২ দা হেক্তা হন্দোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবসিদি নখোয়গী লোলসিদি অঙকপনি।

**এম এল এ** – এরা সার! সারনা ফজপা ৱা হায়পতা ঐনা অফপা ৱানি খূপাক খূপীয়ু হায়বনি, ফাকিতনা নোক্নীংবা ৱানি নোকপীয়ু হায়পনিতা!

**হৈনবী লমচৎ!!**

ঙকচাউ থেকপদা মমিং লৈরবা মন্ত্রিনি। মাবু খনবা-লাকপা মীকাসি ইনথি-নুংঙাইনা অমুক্তা তৌবীদবনি। নোংমদি মন্ত্রিদু তশেংনা মশা ঙমদ্রদুনা ডাক্তর কৌনৈ। ডাক্তর লাক্লকান্দা–

**মনাই অমা** – (হিপ্লিবা মন্ত্রিদা) সাহেবপু ডাক্তর লাক্লে।

**মন্ত্রি** – (উইরোন-উইরোন তৌরম্বদৈ খংশাউ শাউগৎনা) হেরা ঙমদদনা হৌগৎফাও হৌগৎত্রকানসিদা কনাই ডাক্তরনো, কোন্না লাকউ।